# প্রনীথ অমসুং শ্রীকান্টনা সিঙ্গাপুর ওপন সুপর সেরিজগী ফাইনেলদা মায়োক্নদুনা শান্নরগনি

## কারোলিনা মারিননা পি ভি সিন্ধুবু মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে







সিঙ্গাপুর, এপ্রিল ১৫ :

ইন্দিয়ন শট্লর বি সাই প্রনীথনা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীখিদুনা মফম অসিদা চথরিবা সিঙ্গাপুর ওপন সুপর সেরিজগী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা কোরিয়াগী লী দোং-ক্যিনবু ষ্ট্রেট গেমদা মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী অহানবা সুপর সেরিজ ফাইনেল চঙখ্রে।

চহী অসিগী জান্যুৱারী থাদা পাঙথোকখিবা সয়ীদ মোদি গ্রান্দ প্রি গোল্ডদা মশাগী মরেংবানদা অশোকপা লৈখ্রবসু ফাইনেল ফাওবা চঙবা ঙমখিবা প্রনীথনা মখা তানা মশাগী মতিং থোকপা পার্ফোমেন্স অদু পীদুনা কোরিয়া মাষ্টর্স গ্রান্দ প্রি গোল্ডগী অহুম্লক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা লীবু ২১-৬, ২১-৮ দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল ক্লাশকীদমক খুমাঙ চাউশিনখি।

মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা কনাডা ওপনগী টাইটল লৌখিবা মশাগী চহী ২৪ শুরবা হায়দ্রবাদী অসিনা মতিং থোক্লা শান্নখিদুনা মহাক্কী ওপোনেন্টপু অহানবা গেমদা য়াম্না লাকচনা তৌদুনা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা গেমদা প্রনীথনা মখা তানা গেম অদু দোমিনেট তৌনা চৎখিদুনা ৯-১ দা মাঙজিল থাখি। কোরিয়ন্নসু নিংথিনা খুৎ হল্লকখিদুনা পোইন্টশিং লৌখিদুনা ৪-১০ দা লৈখি। ব্রিক মতুংদা ইন্দিয়ন অসিনা ১১-৪ দা মাঙজিল অমুক থাখি।

ইন্দিয়ন অসিনা মহাক্কী কেরিয়রদা খ্বাইদগী চাউনা মায় পাকখিবশিংগী মনুংদা কুমজা ২০০৩ গী ওল ইংলেন্দ চেম্পিয়ন মুহম্মদ হাফিস, হান্নগী ৱর্ল্ড অমদি ওলেম্পিক চেম্পিয়ন মালেসিয়াগী হাসিম অমসুং ওলেম্পিক সিলভর মেদলিষ্ট ওইবতা নত্তনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান লী চোং ৱৈবু মায়থীবা পীখিবা অদুনা ওইরি।

বি সাই প্রনীথনা টাইটল ক্লাশতা মহাক্কী কম্পেট্রিওট কিদম্বী শ্রীকান্টকা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

অমরোমদা, টুর্ণামেন্ট অসিগী অতোপ্পা সেমী ফাইনেল মেচ অমদা কিদম্বী শ্রীকান্টনা ইন্দোনেসিয়াগী এন্থোনি সিনিসুকা গিন্টিংবু মিনিট ৪২ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা ২১-১৩, ২১-১৪ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

টুর্ণামেন্ট অসিগী মেন'স সিঙ্গলস ফাইনেলদা চিনা, ইন্দোনেসিয়া অমদি দেনমার্কনা শরুক য়াবা ঙমখিবগী লিষ্ট অদুদা ইন্দিয়াসু ফাইনেল চঙবা ঙমখিদুনা য়াওবা ঙমখ্রে।

টুর্ণামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসতা ওলেম্পিক্কী সিলভর মেদলিষ্ট পি ভি সিন্ধুনা আর্ক রাইভেল কারোলিনা মারিনগী মখুৎতা ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীহৌদুনা লৈহৌখিবগা লোয়ননা মারিননা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

ন্যু দেল্লিদা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়া ওপনদা ওলেম্পিক চেম্পিয়ন মারিনবু মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী কেরিয়রগী খ্বাইদগী ফবা ওইনা ৱর্ল্ডগী অনীশুবা রেঙ্কতা লৈখিবী সিন্ধুনা লোপসাইদেদ ওইখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুদা মারিনগী মখুৎতা ১১-২১, ১৫-২১ দা মায়থীহৌখি।

পনবা য়াই, প্রনীথনা নিপাশুপা সীদেদ থাইলেন্দগী টানোনসাক সানসোমবূনসুকপু পুং অমগা মিনিট ১১ চঙনা শান্নখিবা মেচতা ১৫-২১, ২১-১৪, ২১-১৯ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

মিক্স দবলস কম্পিটিসনদা বি সুমীথ রেদ্দি অমদি অশ্বিনি পোন্নাপ্পানা অহুমশুবা সীদেদ চাইনিজগী জুরা লু কাই অমদি হুআং য়াকিয়োংগী মখুৎতা ১১-২১, ৮-২১ দা মায়থীহৌখি।

# ইন্দিয়ন হোকি টিমনা সুলটান ওফ জোহোর কপ্তা পাকিস্টান য়াওগদবনা শরুক য়াররোই



ন্যু দেল্লি, এপ্রিল ১৫ :

মালেসিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা লাক্লিবা ওক্টোবর থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা সুলটান ওফ জোহোর কপ্তা পাকিস্টান্না শরুক য়াগদবা মরম্না ইন্দিয়াগী নুপা হোকি টিমনা থংন-থংননা অনীরকশুবা ওইনা শরুক য়াররোই।

হোকি ইন্দিয়ানা হায়খি, কুমজা ২০১৪ গী চেম্পিয়ন্স ট্রোফিদা পাকিস্টান্না উৎখিবা লুজদবা থৌওং অদুগী মরমদা শেংদোক্ত্রিবা ফাওবা পাকিস্টানগী মায়োক্তা শান্নগদবা সেরিজ অমত্তা শরুক য়ারোই হায়না ফোঙদোকখিবা অদুগী মখা তারকপা ওইনা ইনভিটেস্নেল টুর্ণামেন্ট অমা ওইরিবা সুলটান ওফ জোহোর কপ্তসু শরুক য়াদনবা ৱারেপ লৌবনি হায়না ফোঙদোকখি।

অন্দর-২১ টুর্ণামেন্ট অমা ওইরিবা সুলটান ওফ জোহোর কপ অসি ইন্দিয়ানা কুমজা ২০১৫ দা টাইটল লৌখি। মসি হোকি মশান্নগী মালেমগী গভর্নিং বোদি ওইরিবা এফ আই ঐচ নৎত্রগা কন্টিনেন্টেল বোদি অমা হেক্তগী থৌশিল মখাদা পাঙথোকপা গ্লোবেল ইভেন্ট অমদি নত্তে।

জান্যুৱারী থাদা হোকি ইন্দিয়ানা পাকিস্টানগী মায়োক্তা টুর্ণামেন্ট অমত্তা শান্নদনবা ৱারেপ লৌখিবনি। ৱারেপ অসি কুমজা ২০১৪ দা ইন্দিয়াদা পাঙথোকখিবা এফ আই ঐচ চেম্পিয়ন্স ট্রোফিদা পাকিস্টান টিমনা টুর্ণামেন্ট চথরিঙৈ মনুং অনপ্রোফেস্নেল ওইবা বিহেবিয়র উৎখিবা অদুবু শেংদোক্ত্রিবা ফাওবা মেচ অমদা মায়োক্নদুনা শান্নদনবা ৱারেপ লৌখি।


ওইরিবা ৱাথোক অসিনা কুমজা ২০১৬ তা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা লক্ষনৌদা পাঙথোকখিবা জুনিয়র ৱর্ল্ড কপ্তা পাকিস্টানগী টিমনা শরুক য়াখিদে। মতম অদুদা পাকিস্টান হোকি ফেদরেসন (পি ঐচ এফ) না ইন্দিয়ানা পাকিস্টানবু টুর্ণামেন্ট অসিদা শরুক য়াহনবা পামখিদে হায়না ফোঙদোকখি। অদুবু ইন্দিয়ানা পাকিস্টান্না হায়রিবা ৱাফম অদু রিজেক্ট তৌখিবনি।

ইন্দিয়ানা লাক্লিবা ওক্টোবর থাদা চথগদৌরিবা সুলটান ওফ জোহোর কপ্তা শরুক য়াদনবা ফীরেপ লৌখিবা অসি মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা জুনিয়র ৱর্ল্ড কপ্তা পাকিস্টান হোকি ফেদরেসন্না শীখিবা মরাল অদুগা থোইদোকপা মরী লৈনদে। ইন্দিয়ন টিমনা সুলটান ওফ জোহোর কপ্তা শরুক য়াদনবগী ৱারেপ অসিখক্তা নত্তনা লাক্কদৌবা পাকিস্টানগা মায়োক্ন বা সেরিজশিংদসু ইন্দিয়ানা শরুক য়ারোই। মখোয়না কুমজা ২০১৪ গী থৌদোক অদু শেংদোক্ত্রিবমখৈ ঐখোয়না মখোয়গা শান্নরোই হায়না হোকি ইন্দিয়াগী ৱাঙাঙলোয় আর পি সিংহনা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা মখা তানা হায়খি, সুলটান ওফ জোহোর কপ অসি শুংশোই শোয়দনা শরুক য়াগদবনি হায়বা টুর্ণামেন্ট অমা ওইদবা মরম্না হোকি ইন্দিয়ানা টুর্ণামেন্ট অসিদা ইন্দিয়ন টিম শরুক য়াদনবা ৱারেপ লৌবনি।

মতম শাংনা লৈরক্লবা থৌদোক অসি ঐখোয়না পুথোক্তুনা মখোয়দা হায়রুবা লৈতে। অদুবু পাকিস্টান হোকি ফেদরেসননা মসিবু পুথোক্তুনা ঙাঙ-শক্লি অমদি মখোয়না মখোয়গী দাইত্য অদু খঙনা মথৌ পাঙথোকপা ঙমদবা অসিগীদমক নুংঙাইবীদে হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# মিয়ু হিরানোনা ঝু য়ুলিংবু মায়থীবা পীদুনা এসিয়ন টেবল টেনিস চেম্পিয়নশিপকী ফাইনেল চঙখ্রে



ৱুজি (চাইনা), এপ্রিল ১৫ :

জপানিজকী নহা ওইরিবী মিয়ু হিরানোনা মহাক্কী তৌবা ঙম্বদু মখা তানা চথখিদুনা মফম অসিদা পাঙথোক্লিবা এসিয়ন টেবল টেনিস চেম্পিয়নশিপকী ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসতা ৱর্ল্ড নম্বর টু ঝু য়ুলিংবু ৩-০ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

হিরানোনা ঝুবু ১১-৭, ১১-৯, ১১-৮ দা য়াম্না লাকচনা মায়থীবা পীখি।

সেমী ফাইনেলদা মায়থীহৌখ্রবী ঝুনা হায়খি, মহাক্লা তৌখিবা সার্ভ অদু ঐখোয়না য়েংশিনবা মথৌ তাই। মসিদা ঐনা য়ামদ্রবদা পোইন্ট তরুক্তা মায়থীখি।

গ্রান্দ স্লাম ওলেম্পিক গেমস ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অমদি ৱর্ল্ড কপতা ৱাংনান, ঝাং য়িনিং অমদি লি জিয়াওজিয়াবু টাইটল লৌখিবদা লমজিংখিবা ঝুগী কোচ লি সুননা হায়খি, ঝুনা মেচ অদুদা মহাক্কী খ্বাইদগী ফবা পার্ফোমেন্স অদু উৎপা ঙমখিদে। অদুবু মহাক্লা মেচ অদু মায় পাক্ন নবগীদমক খৌরাংনা শান্নখিবনা মরম ওইদুনা মহাক্লা মায়থীখিবনি হায়না ঐনা লৌই। হিরানোদি কোর্টতা নিংথিনা শান্নবা ঙমখি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা হায়, জপানিজকী নুপী পেদ্দলর অসিনা মহাক্কী পার্ফোমেন্স হান্নদগী ফগৎনা পীবা ঙমখি অমদি মশক থোকপা টেক্টিসশিং শিজিন্নদুনা করম্না মায় পাক্কদগে হায়বগী মশান্না খঙনা শান্নখি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

ৱর্ল্ডগী নম্বর ১১ শুবদা লৈরিবী অমদি শগোলশেল নুমিৎতা মশাগী চহী ১৭ শুখ্রবী অসিনা চেম্পিয়নশিপ অসিদা ওলেম্পিক অমদি ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন দিং নিংবু ক্বার্টর ফাইনেলদা ৩-২ দা মায়থীবা পীদুনা চাউনা মায় পাকখিবনি।

মহাক্লা চাইনিজ ওপোনেন্টকা য়েংনরকপা মতমদা অহানবা ওইনা মায়থীবা পীবা ঙম্বসু ওইখি। মহাক্লা মেচ অদুদা মশাদা অকিবা অমত্তা য়াওদনা তকশিন্না শান্নখিদুনা নক্কাৎখি।

পনবা য়াই, এসিয়ন টেবল টেনিস চেম্পিয়নশিপ অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস মেচতা ইন্দিয়াগী শারাথ কমলনা শরুক য়াদুনা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল ফাওবা খুমাঙ চাউশিনবা ঙমখিবনি।

মহাক্লা থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবাপ্রি-ক্বার্টর মেচতা হোং কোংগী লাম সিয়ু হাংগী মখুৎতা ২-৩ (৬-১১, ১১-৯, ৯-১১, ১৪-১২, ১০-১২) দা মায়থীহৌদুনা ইন্দিয়াগী কেম্পেন লোইশিনখি।

অহানবা গেম অদু অথুবদা মায়থীখ্রবা মতুং কমলনা সেকেন্দ গেমদা হোং কোংগী মায়োক্তা অকনবা চেল্লেঞ্জ তৌদুনা হল্লকখি। অদুবু হোং কোংনা অনীশুবা গেম অদু মায় পাকখি। মখা তারকপা গেমশিংদা কমলনা নিংথিনা শান্নরকখ্রবসু কান্নবা ফংদনা হোং কোংগী পেদ্দলরগী মখুৎতা মায়থীখি।

পনবা য়াই, শারাথ কমলনা চেম্পিয়নশিপ অসিগী দিভিজন ৱানদা মায়থীদুনা য়াম্না ঙন্না লৈহৌখিবনি।

# জুভেন্টসকী ফোরৱার্দ পাওলো দিবালাগী কন্ট্রেক্ট মতম শাংদোকখ্রে

মিলান, এপ্রিল ১৫ :

জুভেন্টসকী ফোরৱার্দ পাওলো দিবালানা ক্লব অসিগী কন্ট্রেক্ট লাক্লিবা কুমজা ২০২২ গী জুন থা ফাওবা শাংদোক্লে হায়না ক্লব অসিনা ফোঙদোকখ্রে।

মশাগী চহী ২৩ শুরবা ফুটবোল্লর অসিনা সেরিজ-এদা খ্বাইদগী হৈ-শিংবা প্লেয়র অমা ওইনা লৌনবগা লোয়ননা লিওনেল মেসিগী হেক মতুংদা থোক্লকপা অর্জেন্টিনাগী শক্ল াইরবা ফুটবোল্লর অমা ওইনসু লৌনরি। মীয়াম্না জেল হায়রগসু হেন্না খঙনবা দিবালানা মহাক্কী অর্জেন্টিনাগী ফেল্লো লিওনেল মেসিদগী হেন্না মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীখিদুনা চেম্পিয়ন্স লীগকী ক্বার্টর-ফাইনেলগী অহানবা লেগ মেচতা গোল অনী চনশিনখিবদগী জুভেন্টসনা এফ সি বার্সেলোনাবু গোল ৩-০ দা মায়থীবা পীখিবনি।


কুমজা ২০১৫ গী জুলাই থাদা দিবালানা পার্ফোমদগী জুভেন্টসতা লাকখি অমদি মহাক্কী অহানবা সিজনদা অপুনবা মেচ ৪৬ শান্নখিবদা কপকী টাইটল লৌহনখি। অদুগা চেম্পিয়ন্স লীগকী প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবদসু চাউনা মতেং পাংখি।

চৎলিবা সিজন অসিদা দিবালানা হৌজিক ফাওবদা অপুনবা গোল ১৬ চনখি। হৌজিক জুভেন্টসনা লেমজনিঙাই ওইরবা টাইটল অহুম লৌনবা মাঙদা মিৎয়েং থল্লি।

অর্জেন্টিনাগী সেকেন্দ টাইয়র ক্লব ইন্সটিটুটো দে কোর্দোবাদকী হৌরকখিবা দিবালানা কুমজা ২০১২ দা ইটালিদা চত্তুনা পালের্দোগা খুৎয়েক পীনখি অমদি মফম অদুদা সিজন অহুম লৈদুনা সেরি-এগী কেরিয়র শেমগৎলকখিবনি।

# বোর্না কোরিকনা গ্রান্দ প্রি হাসন টুগী সেমী ফাইনেল চঙখ্রে, বোপান্নানা দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেলদা লৈহৌরে





মোরোকো, এপ্রিল ১৫ :

ক্রোসিয়াগী বোর্না কোরিকনা মফম অসিদা চথরিবা গ্রান্দ প্রি হাসন টুগী ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা অনীশুবা সীদেদ স্পেনগী অলবার্ট রামোস-ভিনোলাসপু ৪-৬, ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

মমাঙ চহীদা ক্লে ইভেন্ট অসিগী সেমী ফাইনেল চঙখ্রবা মতুং সিজন অসিগী অহানবা ওইনা মহাক্কী এ টি পি সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রবা কোরিকনা রামোস-ভিনোলাসপু পুং অনীমখায় চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা অহুম্লক ব্রোক তৌদুনা মায়থীবা পীখি।

মশাগী চহী ২০ শুরবা কোরিকনা অমুক হন্না টুর্ণামেন্ট অসিগী ফাইনেল চঙননবগীদমক্তা জিরি ভেসলিবু মায়থীবা পীবা মথৌ তারি।

জিরি ভেসলিনা নম্বর ফাইভ সীদ পাওলো লৌরেঞ্জিবু ৩-৬, ৬-৩, ৭-৬ (৫) তা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

ভেসলিনা হায়খি, ঐনা মেচ অদুদা য়াম্না তপ্না শান্নবা হৌখি। পাওলো অসি ক্লে কোর্টকী মশক থোক্লবা প্লেয়র অমনি। ঐনা টফ ওইরবা মেচ থেংনখ্রবসু মহাকপু মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙবা ঙম্বদা অপেনবা পোকই হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

টুর্ণামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচতা জর্মনিগী অহুমশুবা সীদেদ ফিলিপ কোহলসক্রেবরনা ফ্রেঞ্চকী বেনোইট পিয়রগী মায়োক্তা শান্নগনি। কোহলস-ক্রেবরনা মহাক্কী কন্টিমেন জান-লেনার্দ ষ্ট্রফপু ৩-৬, ৭-৫, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখি। অদুগা অতোপ্পা মেচ অমদা তরুকশুবা সীদেদ ফ্রেঞ্চকী বেনোইট পিয়রনা স্পানিশকী ভেটরান টোনি রোব্রেদোবু ৬-২, ৬-৪ দা মায়থীবা সেমী ফাইনেল চঙখি।

অমরোমদা, টুর্ণামেন্ট অসিগী দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা বৃটেনগী দোমিনিক ইঙ্গলোট অমদি ক্রোসিয়াগী মেট পাভিকনা রোহন বোপান্না অমদি মহাক্কী পার্টনর পোলেন্দগী মার্সিন মাটকোস্কিবু ৬-২, ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি।

অমরোমদা, ইন্দোনেসিয়াগী জকার্টাদা চথরিবা দোল্লর ১৫,০০০ আই টি এফ মেন'স ফ্যুচরগী সেমী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী দবলস টিম হাদ্দিন বাভা অমদি কারুনুদে সিংহনা জষ্টিন বার্কি অমদি খৃষ্টোফর রুংকাটকী মখুৎতা ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থীদুনা লৈহৌখি।

টুর্ণামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা হাদ্দিন বাভা অমদি কারুনুদে সিংহনা কোরিয়াগী লিন হয়ুং-চান অমদি নোহ সাং-ৱুবু ২-৬, ৬-৪, ১০-৮ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখিবনি।

# আই পি এল : কোলকটা নাইট রাইদর্সনা সনরাইজর্স হায়দ্রবাদপু রন ১৭ তা মায়থীবা পীখ্রে



কোলকটা, এপ্রিল ১৫ :

রোবিন উটাপাগী মশক থোক্লবা বেট্টিং পার্ফোমেন্সনা কোলকটা নাইট রাইদর্সনা মফম অসিগী ইদন গার্দেন্সতা চথখিবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ (আই পি এল) কী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা সনরাইজর্স হায়দ্রবাদপু রন ১৭ তা মায়থীবা পীখ্রে।

অহানবা টোস ঙমখিবা সনরাইজর্স হায়দ্রবাদনা ফিল্ডিং খনখিবদগী কোলকটা নাইট রাইদর্সনা বেট্টিং তৌখি। মখোয়না অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৬ তুরগা অপুনবা রন ১৭২ লৌদুনা সনরাইজর্স হায়দ্রবাদকীদমক টার্গেট রন ১৭৩ পীরমখি।

চেল্লেঞ্জিং ওইরবা টার্গেট রন অদু লৌননবা তানখৎলকখিবদা সনরাইজর্স হায়দ্রবাদনা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১৫৫ খক্তমক লৌখিদুনা কোলকটা নাইট রাইদর্সকী মখুৎতা রন ১৭ তা মায়থীখি।

সনরাইজর্স হায়দ্রবাদকী দেভিদ ৱার্নর অমদি য়ুবরাজ সিংহনা মশক থোক্লা রন ২৬/২৬ লৌদুনা টিমগী টোপ স্কোরর ওইখ্রবসু কোলকটাগী বোলরশিংগী মমাঙদা লেপ্পা ঙমদনা লৈখিবদগী মায়থীবগী মচাক ওইখি।

অহানবা ইন্নিংসতা কোলকটা নাইট রাইদর্সকী রোবিন উটাপ্পানা বোল ৩৯ মায়োক্নখিবদা বাউন্দরি মঙা অমদি সিক্স মরি কনখিদুনা অপুনবা রন ৬৮ লৌদুনা টিমগী রন খ্বাইদগী য়াম্না লৌবা বেটসমেন ওইখিবগা লোয়ননা টিমগী মায় পাকপদা চাউনা মতেং পাংখি।

ওপনর সুনিল নরিন অমদি কেপ্টেন গৌতম গম্ভীরনা মথংশিংনা রন ৬ অমদি ৯ লৌখিদুনা য়াম্না ঙন্না ক্রিজদগী মপান থোকখি। নরিন অমদি গম্ভীরনা ঙন্না ফিল্ডদগী মপান থোকখ্রবসু সনরাইজর্সকী বোলরশিংনা মিদ্দল ওভরদা মশক থোক্লা মথৌ পাঙথোকপা ঙমখিদবনা মখোয়গী হোৎনজমল অরেম্বা তাখি।

মনিশ পান্দেনা বোল ৩৫ মায়োক্ন খিবদা রন ৪৬ (ফোর ৩, সিক্স ২), য়ুসুফ পথাননা বোল ১৫ দা রন ২১, সুরয়াকুমার যাদভনা রন ৪ অমদি ক্রিজ ৱোকরনা রন অমা লৌদুনা টিমগী মায় পাকপদা চাউনা মতেং পাংখি।


উটাপ্পা অমদি মনিশ পান্দে অনীগী পার্টনরশিপ্তা বোল ৫২ দা অপুনবা রন ৭৭ লৌখিদুনা কোলকটা নাইট রাইদসকী মায় পাক্নবগী অচেৎপা খোঙফম শেমখি।

সনরাইজর্স হায়দ্রবাদকী বোলর ভুবনেশ্বর কুমারনা ওভর ৪ দা ৱিকেট ৩ লৌদুনা টিমগী ৱিকেট খ্বাইদগী য়াম্না লৌবা ওইখি। অদুগা অশিস নেহরা, বেন কট্টিং অমদি রশিদ খাননা ৱিকেট অমমম লৌরগা মথংশিংনা রন ৩৫, রন ৪১ অমদি রন ২৯ পীখি।

অনীশুবা ইন্নংসতা সনরাইজর্স হায়দ্রবাদনা মখোয়গী টার্গেট রন লৌননবা তানখৎলকখিবদা কেপ্টেন দেভিদ ৱার্নরনা বোল ৩০ দা বাউন্দরি মরি য়াওনা রন ২৬, শিখর ধৱনসু বোল ২২ দা বাউন্দরি মরি য়াওনা রন ২৩, মোইসেস হেনরিকনা বোল ১০ দা রন ১৩, য়ুবরাজ সিংহনা বোল ১৬ তা বাউন্দরি অনী অমদি সিক্স অনী য়াওনা রন ২৬, দিপক খুদানা বোল ৭ তা রন ১৩, বেন কট্টিংনা বোল ১০ দা রন ১৫, নামন ওজানা বোল ১১ দা রন ১১ অমসুং বিপুল শর্মনা বোল ১৪ দা রন ২১ লৌখ্রবসু কোলকটা নাইট রাইদর্সকী বোলরশিংগী মমাঙদা মতিং থোক্লা লেপ্পা ঙমখিদবদগী মায়থীখি।

কোলকটা নাইট রাইদর্সকী ক্রিস ৱোকনা ওভর ৪ দা রন ৪৯ পীরগা ৱিকেট ২ লৌদুনা টিমগী ৱিকেট খ্বাইদগী লৌবা বোলর ওইখি। টেন্ট বোল্টনা ওভর ৪ দা রন ৩৩, সুনিল নরিননা ওভর ৪ দা রন ১৮, কুলদীপ যাদভনা ওভর ৪ দা রন ২৩ অমসুং য়ুসুফ পথাননা ওভর অমদা রন ২ পীদুনা ৱিকেট অমমম লৌখিদুনা টিমগী মায় পাকপদা চাউনা মতেং পাংখি।


## [illegible]/অৱাবা ফোঙদোকচবা



ৱাইভিয়ু ফাইনান্সিয়েল সর্ভিসেস প্রাইভেট লিমিটেদ, মোইরাং ব্রাঞ্চতা ফিল্ড এগজিক্যুটিব ওইনা থবক পুরম্বা **খুন্দ্রাকপম ৺অমরজিৎ সিংহ**-না হৌখিবা তাং ১২/০৪/২০১৭ ইং, শজিবুগী ১৬ নি পানবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা ৱাইভিয়ুগী বোর্ড ওফ ডাইরেক্তরশিং অমদি ষ্টাফশিংনা মীনিট ২ (অনী) তুমিন্না লেপ্পুনা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। লৈখিদ্রবা **অমরজিৎ** কম্পনি অসিগী থবক থৌরমশিংদা চাউনা শরুক য়ারম্মী। মহাক লৈখিদবসি কম্পনি অসিদা মহাক্লা লৌরম্বা থৌদাং অদু হাংদুনা লৈহৌরগনি। মহাক্কী থৱাইনা ঈং তপ্না ঈশ্বরগী খুয়াখাদা লৈনবগীদমক ঈশ্বরগী মফমদা থৌনিজরি লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াজরি।

*অৱাবা ফোঙদোকচরিবা :* বোর্ড ওফ ডাইরেক্তর অমসুং ৱাইভিয়ুগী ষ্টাফশিং।

HL-P/1340/16



## [illegible]/ চাবা থকপা তুমদবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা, পুক নাবা ফহনবগী ওজা কয়ামুদ্দিনবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা মতম শাংনা গ্যেষ্ট্রিক্লা য়াম্না কন্না নাদুনা চাবা থকপা তুমদবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা, পুক নাবা, পুক নুংশিৎ কাবা, হকচাং পাঙ্গল শোন্থরকপা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, তাং তাং চিকপা, খ্বাঙ নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মসল নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, থবাক নাবা তৌরম্বা অদু **এম ডি কয়ামুদ্দিন ফুন্দ্রেময়ুম ☎ ৮৫৭৫৮১৪৭২০, ৮৪১৩৮৭০০২৭** তা চত্তুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা কয়ামুদ্দিন কবিরাজবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি।

1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar : 7.00 am to 11.00 am. 2. Hatta Minuthong near Traffic Signal Bazar : 12.00 noon to 5.00 pm

*থাগৎচরিবা :* **Khongbantabam Gulamchat Singh**
*Patsoi - II*

HL-P/1196/16

HL-P/1337/6



## [illegible]/MIGRATION CERTIFICATE LOST

I have lost my Original Migration Certificate of All India Sr. School Certificate Examination 2012, bearing Roll No. 3675420 and Migration Serial No. 0696318 of 2012 issued by CBSE, on the way from Uripok Tourangbam Leikai to Paona Bazar on 8/03/2017. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

*Sd/-* **Shyamananda Gurumayum**
Uripok Tourangbam Leikai ☎ **9862135062**

HL-P/1341/16



## [illegible]/সেমিনর তৌরগনি

মণিপুর ষ্টেট কো-ওপরেটিব য়ুনিয়ন, লম্ফেলপাৎ, ইম্ফালনা শীন্দুনা **'সষ্টেনেবল ডিবলপমেন্ট ওফ মণিপুর ষ্টেট থ্রু কো-ওপরেটিবস'** হায়বা টোপিক্তা ষ্টেট লেভেল সেমিনর অমা জিএম হোলদা লাক্লিবা তাং ১৮-০৪-২০১৭ গী পুং ১০ তাবা মতমদা পাঙথোকচগনি। সেমিনর অসিবু য়াওনিংবা মণিপুরদা লৈরিবা মখল খুদিংমক্কী সোসাইটিশিংনা ডেলিগেট অমমম লাক্লিবা তাং ১২-০৪-২০১৭ তগী তাং ১৬-০৪-২০১৭ ফাওবগী মনুংদা মণিপুর ষ্টেট কো-ওপরেটিব য়ুনিয়নগী ওফিসতা রেজিষ্ট্রেসন তৌরনবা খঙহল্লি। রেজিষ্ট্রেসন তৌরবা ডেলিগেট খুদিংমক্তা কেরি বেগ অমমমসু ফঙহঞ্জগনি।

HL-P/1333/16 *Sd/-* **Manipur State Co-Operative Union**



## SAINIK SCHOOL IMPHAL RECRUITMENT OF LAB ASSTS (REGULAR)

1. List of successful candidates in Written Test held on 10 Apr 2017 is displayed at School Main Gate.

2. Personal Interview for successful candidates is postponed on **12 MAY 17 (FRIDAY)** from **0930 hrs** onwards due to unavoidable administrative reasons.

3. No TA/DA will be given for attending the interview.



## [illegible]/ফিষ্টুলাদা মখুল ২/৩ হুৎলগা খোঙ হাম্বদা শৌজ নান্থবা, খোঙ হাম্বদা ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, খ্বাঙ নাবা, লেঙজুম নাবা, ঙকশম মরি নাবা, পুক্তা গ্যেষ্ট্রিক কারগা চাবা থকপা য়াদবা, পুক নাবা ফহনবগী ওজা জিয়া উল হগপু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা ফিষ্টুলাদা মখুল ২/৩ হুৎলকপা অমদি নাই চারকপা, মখুল হুৎপা অদুনা মরম ওইদুনা অমাঙথোংদা লুম লুম লাউবা চিকপা নাবা অমদি ফম্বা ঙমদবা, খোঙ হাম্বদা য়াম্না নাবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ নান্থবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, অমাঙথোং ময়াদা পোমথোরকপা, খ্বাঙ নাবা, কোক শাবা, লেঙজুম অনীমক চিকপা নাবা, ঙকশম মরি নাবা, পুক্তা গ্যেষ্ট্রিক কারগা চাবা থকপা য়াদবা, চাবা তুমদবা, খোঙ তোয়না তোয়না হাম্বা অমদি তোলহাওগা লোয়নরকপা, পুক নাবা য়েকপা থিনবা তৌরম্বা অদু **MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9615256612** দা চত্তুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা **Zia-Ul-Haque** পু পুন্সি শাংনা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙমহনবীয়ু হায়না মপুদা থৌনিজরি।

*লায়েংফম :* 1. Kekru Villa Minuthong Road, Opp. AMUCO, UCM Gate Imphal 10 a.m. - 5 pm. 2. Mayang Imphal Konchak Bazar 6 am to ...? 3. Yairipok Bamon Leikai (Only Wednesday&Saturday open).

*থাগৎচরিবা :* **M. Madumohan Singh**
***Bishnupur Bazar***

HL-P/0159/16